ইন্দিয়ন ৱিমেন হোকি টিম্না ইহান হানবা ওইনা কুমজা ১৯৮০ গী মোস্কো ওলেম্পিক্তা য়াওবা ঙমখি

রত্নেশ্বরি গোশ্বামী

(হান্নগী মখা...)

১৩শুবা বেঙ্কোক এসিয়ন গেমসকী অহুমশুবা মেচ ওইনা ইন্দিয়াগী নুপী হোকি টিমগা উজবেকিস্থানগা শান্নখি। মদুদসু ইন্দিয়ানা ২-১দা মায়থীবা পীখি। রাউন্দ রোবিন্দগী মরিশুবা মেচ ওইনা সাউথ কোরিয়াগা শান্নখিবদদি ইন্দিয়ন ৱুমেন হোকি টিম কোরিয়াগী মখূৎতা ৫-০দা মায়থীবা ফংখি। মঙাশুবা মেচ ওইনা কাজকিস্থানগা শান্নবদনা ৬-১দা থোইবা ঙমখি। তরুকশুবা মেচ ওইনা, জপানগা শান্নখিবদদি চপ মান্নবা লম্বা ওইদুনা কৃক-কৃক ইন্ননা শান্নখি। টিম অনীমক্কা ১-১ চন্নদুনা দ্রো ওইখি।

ইন্দিয়াগী টিম্না খরা হেন্না কনশিন্না শান্নবা য়ারম্বদু টিম অসিগী মরুওইবা রোল লৌদুনা শান্নরিবা ফুল বেক্কী শান্নরোয় শান্তি কৌর ঙল্লিঙৈদা য়েল্লো কার্দ অমা চাখিবদগী মতিং লোইনমক ফুদোক্তুনা শান্নবা ঙমখিদে। অদুবু, মমাঙদা শান্নখিবা মেচশিংদা স্কোর ফজনা চনবা ঙমখিবনা মরম ওইরগা ইন্দিয়ন টিম ফাইনেল চঙবদি ঙমখি। বেঙ্কোক এসিয়ন গেমস কুমজা ১৯৯৮গী ফাইনেলদা সাউথ কোরিয়াগা ইন্দিয়াগা শান্নখি। মদুদা সাউথ কোরিয়ানা ইনি দয়াবু ২-১দা মায়থীবা পীরম্বদগী ইনি দয়ানা শিলভর মেদল ফংলকখি। চহীদুদা ইন্দিয়ানা গোল্ড লৌরক্লম্বা তারবদি, সিদনি ওলেম্পিক ২০০০ দা ইন্দিয়াগী নুপী হোকি টিম ওলেম্পিক্কী ক্বালিফাইদ ওইরমগদবনি।

কুমজা ২০০০গী মার্চ ২৪দগীনা এপ্রিল ২ ফাওবা ইংলেন্দদা তৌখিবা ৱিমেন'স ক্বালিফাইয়িং টুর্নামেন্টতসু মণিপুরদগী নুপী শান্নরোয় মরি ইন্দিয়ন টিমদা য়াওখি। মালেমগী লৈবাক ১০ ওইবা ক্বালিফাইয়িং টুর্নামেন্ট অদুদা ইন্দিয়ন টিমদা য়াওখিবা শান্নরোয়শিংদি ক্ষেত্রিময়ূম টিঙ্গোংলৈমা, অমনদিপ কৌর, মেরিষ্টেল্লা টিরকে, মনোরমা গোশ্বামী, সুনিতা দলাল, ৱাইখোম সুরজলতা, নেহা সিংহ, সুমরাহ টেটে, মমতা খারাব, কমলা দলান, জয়োটি সুনিতা কুল্লু, হেলেন মেরি, কান্তিবা, ফর্দিনা ইক্কা, ঙাশেপ্পম পাকপী, সুরিন্দর কৌরনি। ওলেম্পিক ক্বালিফাইয়িং অদুদা শরুক য়াখিবা লৈবাকশিংদি চিনা, জর্মানি, গ্রেট বৃটেন, ইন্দিয়া অয়রলেন্দ, জপান, ন্যুজিলেন্দ, রসিয়া, স্পেন, য়ু এস এনি।

অমরোমদা, ইন্দিয়ন ৱিমেন টিমদা য়াওরিবা প্লেয়র ১৬ অসিগী মনুংদা ১৫দি রেলৱেজগী ঙাক্তনি। শুপ্পগী নেহা সিংহ খক্তমক উত্তর প্রদেশকী প্লেয়রনি। হৌজিকমকসু ইন্দিয়ান ৱিমেন টিম শেম্বদা রেলৱেজদগী প্লেয়র তরেৎ/নিপানদি অদুমক য়াওরি। ইন্দিয়াগী নুপী হোকি নিংথিনা ঙাকশেল্লিবা য়োকখৎলিবা হায়রগদি রেলৱেজনি। মশা মশাগা চান্নবা থবক পীদুনা ঙসিসু নুপী হোকি শান্নরোয় কয়া শেমগৎপা লেপত্রি। মীতৈ নুপীশিংনা হোকিদা মমিং লৈনা শান্নবা ঙম্লক্লি বসিসু রেলৱেজদা লৈরবা মতুংদগীনি।

ইন্দিয়ন ৱিমেন হোকি টিমদা মণিপুরগী ৱাইখোম সুরজলতাসু অচৌবা রোল লৌদুনা ফজনা শান্নখিবী প্লেয়র ওইখি। কুমজা ১৯৯৩দগী ইন্টরনেসনল থাক্তা শান্নবা হৌরকখিবী সুরজলতা কুমজা ২০০২দগী ২০০৪ ফাওবদা ইন্দিয়াগী টিম কেপ্তেন ওইনা মশক থোক্না শান্নরমখি। মহাক্না কেপ্তেন ওইনা শান্নরিঙৈ মতমদা ৱর্ল্দ কপ ক্বালিফাইদ ওইখিবা, এফ্রো এসিয়া কপ, কম্মন ৱেলথ গেমসনচিংবদা মায় পাক্না শান্নখি। ইন্দিয়ন ৱিমেন হোকি টিমগী মঙারক কেপ্তেন ওইবা ঙমখি। কুমজা ২০০৩দা অর্জুনা এৱার্দ ফংখি। অতৈ মমিং লৈনা ইন্টরনেসনল থাক য়ৌনা শান্নখিবা প্লেয়র কয়া অমসু লৈরি। শঙ্গাই ইবেমহল, চনচন, পাকপী, মনোরমা (জুনিয়র), পিঙ্কি, সনরিক, লিলি চনু মণিপুরদগী হৌখিবী প্লেয়র ঙাক্তনি।

কুমজা ১৯৯০গী মতমদা মণিপুরগী লোকেল ক্লব কয়াদগী শেমগৎলকখিবা নুপী শান্নরোয়শিং অদুননি ঙসি নুপী হোকিগী অচৌবা ফিদা অমা কনবা ঙম্লিবসি। অদুগা নীংশিংবা য়াবা ৱাফম অমনা, ইন্দিয়ন ৱিমেন হোকি টিম্না ইহান হানবা ওইনা ওলেম্পিক্স গেমস য়াওবা ঙমখিবদি কুমজা ১৯৮০গী মোস্কো ওলেম্পিক অসিদগীনি। -মথং-মথং

কোরিয়া ওপন : পি ভি সিন্ধু সেমী ফাইনেল চঙখ্রে

সিওল, সেপ্টেম্বর ১৫ : সাউথ কোরিয়াগী সিওলদা চথরিবা কোরিয়া ওপন সুপর সেরিজকী ঙসি শান্নখিবা ৱিমেন'স সিঙ্গলসকী মেচতা মায় পাক্তুনা ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধু সেমী ফাইনেল চঙখ্রে।

মমাঙ থাদা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্দ চেম্পিয়নশিপ্তা শিলভর মেদল লৌখিবী পি ভি সিন্ধুনা ৱর্ল্দ নম্বর ১৯ জপানগী মিনাক্সু মিটানিগা ক্বার্টর ফাইনেলদা শান্নখি। মিনিট ৬৩ চূপ্পা শান্নখিবা মেচ অদুদা পি ভি সিন্ধুনা মিনাক্সু মিটানিবু ২১-১৯, ১৬-২১, ২১-১০ দা মায়থীবা পীরল্লবা মতুং সেমী ফাইনেল চঙখিবনি।

ওলেম্পিক শিলভর মেদলিষ্ট পি ভি সিন্ধুনা মথংগী রাউন্দদা থার্দ সীদ ওইরিবা শুং জি হ্যুন নৎত্রগা ৬শুবা সীদতা লৈরিবা চাইনাগী হি বিং জিয়াওগা শান্নগনি।

অমরোমদা নুপাগী সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা মেচতা কোরিয়াগী টোপ সীদ সন ৱাননা ইন্দিয়াগী সমির বর্ম্মাবু ২০-২২, ২১-১০, ২১-১৩ দা মায়থীবা পীরমখি। থা ৫গী মমাঙদা সমিরনা সন ৱানবু মায়থীবা পীখিবা লৈখ্রবনি।

এস দি সী শমুরৌনা য়ু এস সী কোদোম্পোকপী মায়থীবা পীখ্রে

বিষ্ণুপুর, সেপ্টেম্বর ১৫ (ঐচএনএস): ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন্না শিল্লগা লোইতাং খুনৌ স্পিনিং মিলগী গ্রাউন্দা চথরিবা অহানবা এস ঐচ মনি শর্ম্মা মেমোরিএল থার্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৭কী ঙসি শান্নখিবা মেচতা এস দি সী শমুরৌনা য়ু এস সী কোদোম্পোকপী মায়থীবা পীখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী গ্রুপ বিগী ১০শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ২.৩০ তাবদগী এস দি সী শমুরৌ অমসুং য়ু এস সী কোদোম্পোকপী শান্নখি। মেচ অদু হেক হৌবদগী লোইবা ফাওবা টিম অনীমক্না অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নখি। অহানবা হাফতা টিম অনীমক্না অকনবা এটেক কয়া চথনরবসু গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্নদনা ০-০ দা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হৌরক্লবা মতুং মেচকী ৪৯শুবা মিনিটতা এস দি সীগী জর্সি নম্বর ১৩ ঐচ রাকেসনা গোল অমা চনখি। গোল অদু মেচকী ৬০শুবা মিনিটতা য়ু এস সীগী জর্সি নম্বর ২১ নরেসনা হন্দোকখি। গোল ইক্বেলাইজ তৌখ্রবা মতুংদা টিম অনীমক্না মেচ অদু মায় পাক্লবগীদমক মখা তানা অহেনবা গোল চন্নবা এটেক চথনরকখি। মেচকী এক্সত্রা টাইম হায়বদি ৭০ প্লস টু চৎপা মতমদা এস দি সীগী জর্সি নম্বর ১৮ এস অমরদাসনা গোল অমা চনখি। অমরদাসনা চনখিবা অকোনবগী গোল অদুনা মেচ অদু এস দি সীনা গোল ২-১ দা মায় পাকহনখি।

য়ুরোপা লীগ গ্রুপ ষ্টেজ : অর্সনেল, অটালান্টা অমসুং এ সী মিলন মায় পাকখ্রে

লন্দন, সেপ্টেম্বর ১৫ : য়ুরোপা লীগ গ্রুপ ষ্টেজকী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা অর্সনেল, অটালান্টা অমসুং এ সী মিলন মায় পাকখ্রে।

টিকেট য়াওদবা সপোর্টর কয়ানা ষ্টেদিয়মগী মপান্দা ঈরাং তৌরকপা অমদি ফুটবোলবু শৌগৎপা মীওই খরনা ষ্টিৱার্দশিংগা নিংঙাই শংদানবা গ্রাউন্দ মনুংদা তৌরকপদগী পুং অমরোম থেংথনা হৌখিবা য়ুরোপা লীগকী ওপনরদা অর্সনেলনা কোলোনবু ৩-১ দা মায়থীবা পীখি।

মেচ অদুগী অহানবা গোল জোন কোর্দোবান্না চন্দুনা কোলেন্না মাঙজিল থারগা চৎখিবনি। অদুবু অনীশুবা হাফতা অর্সনেলগী মায়কৈদগী গোল অহুম চনশিল্লক্লগা কোলোনবু মায়থীবা পীরমখিবনি। অর্সনেলগী মায় পাকপগী গোল অহুম অদু সিদ কোলাসিনেক, অলেক্সিস সানচেজ অমসুং হেক্টর বেল্লেরিন্না চনখি।

অতোপ্পা মেচ অমদনা ইংলিস প্রেমিয়র লীগকী মেচ অনীরক মায়থীখ্রবা ইভর্টোন ঙসিসু অটালান্টাগী মখূৎতা মায়থীখি। অটালান্টানা ইভর্টোনবু গোল ৩-০ দা মায়থীবা পীরমখিবনি। অটালান্টাগী মায় পাকপগী গোল অহুম অদু মেচকী ২৭শুবা মিনিটতা এন্দ্রি মাসিলো, মেচকী ৪১শুবা মিনিটতা আলিজান্দ্রো গোমেজ অমসুং মেচকী ৪৪শুবা মিনিটতা বাইরন খৃষ্টেন্টেনা চনখিবনি।

অতোপ্পা মেচ অমদনা এ সী মিলন্না ভিনাবু গোল ৫-১ দা মায়থীবা পীখ্রে। এ সী মিলনগী মায় পাকপগী গোল ৫ অদু ক্লব অসিদা নৌনা য়াওরকখিবা এন্দ্রি সিলভানা হেটেট্রিক লৌদুনা গোল অহুম অদুগা হকম কালহানোকলু অমসুং সুসোনা গোল অমমম চনখি।

অতোপ্পা গ্রুপ ঈগী মেচতা এপোলোন লিমাসোল অমসুং লিওন গোল ১-১ দা দ্রো চৎখ্রে।

এ এফ সী 'এ' লাইসেন্স কোর্স

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৫ (ঐচএনএস): ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন্না শিন্দুনা এ এফ সী 'এ' লাইসেন্স কোর্স অমা চহীসিগী নবেম্বর ৮দগী ২১ ফাওবা (মোদুল ৱান) অমসুং কুমজা ২০১৮গী জান্যুৱারী ৮ দগী ২০ ফাওবা (মোদুল টু) পাঙথোক্কদৌরি। এ এফ সী 'এ' লাইসেন্স কোর্স অসি পাঙথোক্কদবা মফমশিংসু অথুবা মতমদা খঙহল্লক্লগনি। লমদমসিগী কোচশিংনা হায়রিবা লাইসেন্স কোর্স অসিদা শরুক য়ানবগীদমক ওনলাইন ওইনা http://coaching.the-aiff.com দা চঙদুনা ওক্টোবর ২২ ফাওবগী মমাঙদা এপ্লাই তৌবা য়াগনি হায়না ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী এসিষ্টেন্ট জেনরেল সেক্রেটরি এল জোতিরমোর রোয়না থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

সী এফ সী অমসুং টি এফ সী মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৫ (ঐচএনএস): দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন চান্দেলনা শিন্দুনা মহা য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্ট হায়র সেকেন্দরি প্লে গ্রাউন্দদা চথরিবা ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৭কী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা সী এফ সী অমসুং টি এফ সী মায় পাকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ১১শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ১.৩৫দগী শান্নখিবা মেচতা সী এফ সীনা এল দি এফ সীবু গোল ৩-০ দা মায়থীবা পীখি। অদুগা টুর্নামেন্ট অসিগী ১২শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ৩.২০ তাবদগী শান্নখিবা মেচ অদুদনা টি এফ সীনা সী সী ৱাই সীবু গোল ১১-১ দা মায়থীবা পীখি।

See better through us...
Yumnam Eye Care
RIMS Road, Imphal West Manipur
Computerised Eye Testing
&
Contact Lens Clinic
NEW SUMMER COLLECTION
Authorized Dealer
Fastrack
Consultant Timing :
Morning- 8:00 am - 12.00 noon
Evening- 2:30 pm - 5.00 pm
Sunday - 8:00 am - 12.00 noon
HL-B/4125/15/9-14/10

হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ –৫৬

১. চহী তরেৎ শুরবী নুপীমচা অমা মপানা য়ু এস এগী মিয়ামি সহরদা পুরক্তুনা টেনিস একাদেমি অমদা মমিং চনশিনবীখি। মপা অদু মিয়ামি অমদি য়ু এস এগী সহরশিংদা থবক থিদুনা তৌরগা মচাগী মপূং ফাবা মহে তম্বা লোইদ্রিবফাওবা শেল তানখি। মচা নুপী অদু মতুং তারকপদা টেনিস শান্নবগী চেম্পিয়ন ওইদুনা খ্বাইদগী ইনাকখুনবশিংগী মনুংদা অমা ওইখি। শান্নরোয় অদু কনানো?

২. মহাক মেকানিকেল এঞ্জিনিয়রগী দিগ্রি লৌরবা মতুংদা ওলেম্পিক গেমসতা শরুক য়াখি। মদুদা মহাক্না নোংমখক্তদা সনাগী মেদল অহুম ফংখি। মহাক্কী মমিং করি কৌই?

৩. ইন্দিয়াগী ষ্টেট হরিয়ানাদা লৈবা সোনেপট দিষ্ট্রিক্টতা রিন ধান কৌবা খুঙ্গং অমা লৈ। মফম অদুদা মশান্না মখল অমখক্তমক শান্নে। অতোপ্পা মখলগী মশান্না অমত্তা শান্নদে। মশান্না অদু করিনো?

৪. ঐহাক্না 'এ চেম্পিয়ন'স মাইন্দ' কৌবা লাইরিক অমা ইদুনা ফোঙখ্রে। ঐগী মীং হায়য়ু।

৫. উৎলিবা শান্নরোয় অসি কনানো?



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম সেপ্তেম্বর ৩০ থাংজ নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ-৫৫ গী পাউখুমশিং

(১) LEISHANGTHEM SAMANANDA SINGH (২) BANGLORE(৩) GURUMAYUM BASANTI DEVI (৪) MEXICO, 1968 (৫) JUDE MENEZES

হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ-৫৫ গী পাউখুম মরি চুম্না থাবিরকখিবশিংদি

১) আনন্দকুমার খুঞ্জাময়ুম, নোংমৈবুং সেরাম লৈরক (৪)
২) বুধ মাইস্নাম, চীংঙামখা, ইম্ফাল (৪)
৩) জিবসন মাইস্নাম, চীংঙামখা মাইস্নাম লৈকায়, ইম্ফাল (৪)

হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ-৫৫ গী ৱিন্নর

জিবসন মাইস্নাম, চীংঙামখা মাইস্নাম লৈকায়, ইম্ফাল (দ্রোদা ৱিন্নর ওইখ্রবা)

হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ ৫৫ গী মনা লান্থোক্কদবা নুমিৎ অমসুং মফম

সেপ্টেম্বর ২৪, নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিল পুং ৪ তাবা মতমদা হুইয়েন লানপাউ ওফিসতা লান্থোকচগনি।

ৱাই দি সীনা সোনাপুর জি পি এস এবু গোল ৩-২ দা মায়থীবা পীখ্রে

জিরিবাম, সেপ্টেম্বর ১৫(ঐচএনএস): ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিএসন (এ জে এস এ) জিরিবাম্না শিন্দুনা জিরিবামগী গভর্ণমেন্টকী হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী গ্রাউন্দদা চথরিবা ৭শুবা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল থার্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৭ ফোর মজারন ট্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা মেচতা ৱাই দি সীনা সোনাপুর জি পি এস এবু গোল ৩-২ দা মায়থীবা পীখ্রে।

তোঙান তোঙনাবা টিম ৮না শরুক য়াদুনা পাঙথোক্লিবা টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা ওইনা ঙসি সোনাপুর জি পি এস এ অমসুং ৱাই দি সী শান্নখি। সোনাপুর জি পি এস এনা টোস ঙমদুনা মায়কৈ খনখি। অদুগা ৱাই দি সীনা বোল কাওবা হৌখি।

টিম অনীমক অকনবা লম্বা তৌনদুনা মেচ অদু শান্নখি। অহানবা হাফকী ১২শুবা মিনিটতা সোনাপুর জি পি এস এগী জর্সি নম্বর ১৬ দিলোপনা গোল অমা চন্দুনা মেচ অদু মহাক্কী টিম্না য়াম্না ঙন্না মাঙজিল থাহনখি। ঙাইহাক লৈরগা মেচকী ১৯শুবা মিনিটতা ৱাই দি সীগী জর্সি নম্বর ৬ মরুইন্না গোল অমা চন্দুনা সোনাপুর জি পি এস এগী গোল অদু হন্দোকখি। ৱাই দি সীগী মায়কৈদগী গোল ইক্বেলাইজ হেক তৌরকখিবগা দিলোপনা মেচকী ২০শুবা মিনিটতা গোল অমগা অমুক চন্দুনা মেচ অদু সোনাপুর জি পি এস এনা ২-১ দা মাঙজিল থাহনখি। অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা ৱাই দি সীনা অনীশুবা গোল অদু হন্দোকপা ঙমখিদে।

অনীশুবা হাফ হৌরক্লবা মতুংদা ৱাই দি সীগী জর্সি নম্বর ১১ রমানা মেচকী ৫৫শুবা মিনিটতা গোল অমা চন্দুনা মেচ অদু গোল ২-২ দা ইক্বেলাইজ তৌখি। ঙাইহাক লৈরগা ৱাই দি সীগী জর্সি নম্বর ৭ অগিমউদ্দিন্না মেচকী ৭১শুবা মিনিটতা গোল অমা চনখি। ৱাই দি সীগী অহুমশুবা গোল অদু সোনাপুর জি পি এস এনা মেচ লোইবা ফাওবা হন্দোকপা ঙমখিদে। মেচ অদু ৱাই দি সীনা গোল ৩-২ দা মায় পাকখি।

ঐখোয় খূৎশম্নরসি
মলেরিয়া থেংননবা
গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া
লায়ওংশিং অসি
থৌশাদবা তৌগনু
- লাইহৌ হৌবা
- নিংথম চন্দুনা নীকপা
- কোক চীকপা
- হকচাং চীকপা
- ওনীং-ওনীং তৌবা অমসুং ওবা
নহাক মথক্কী লায়ওংশিং অসি লৈরবদি হেলথ ৱার্করশিং কন্টেক্ট তৌ নৎত্রগা লেম্না ঈ চাংয়েং তৌনবা অমসুং লায়েংনবা খ্বাইদগী নকপা হেলথ ফেসিলিটিদা চৎলু
থীংনবগী ষ্টেপশিং
নহাক্কী য়ুমগী অকোয়বদা ঈশিং তুংহনগনু অমসুং অনেম্বা মফমশিং, কোমশিং অমসুং খোংবানশিং ফুনজিল্লু
গুহাশিং, পুখ্রিশিং অমসুং অচৌবা ঈশিং তুংফমশিংদা কাঙ মচাশিং চাবা গাম্বুসিয়া ঙা থাদৌ
নহাক্কী য়ুম তীলহাৎ-হীদাক কাপথোকউ
কাঙ চীক্তনবা কাঞ্চলশিং অমসুং কাঙ হীদাকশিং শীজিন্নৌ
মপূং ফানা লায়েংউ, নশাদা লায়ওং লৈত্রে হায়দুনা মরক্তা থাদোক্কনু
নেসনল ভেক্টর বোর্ন দিজিজ কন্ট্রোল প্রোগ্রাম
দিরেক্টরেট জেনরেল ওফ হেলথ সার্ভিসেস
মিনিষ্ট্রি ওফ হেলথ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়র
www.nvbdcp.gov.in
www.mohfw.nic.in www.pmindia.gov.in www.mygov.in
davp 17103/13/0003/1718